**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সি.আর.পি.এফকী ইন্সপেক্তর জেনেরেল রাজেন্দ্র এন. দাসকা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

২) কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা হয়েংদগী হৌরগনি।

কাউন্সিলনা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা থারিবা মহৈরোইশিংদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুপ কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৩) মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী পেন্নেল লোয়র ক্ষেত্রিমযুম সরনকুমারিনা হায়রি- আইন্না পীরিবা য়ুম পানবা য়াবগী চহি শুদনা লুহোংলিবশিং আইনগী চৈরাক ফংনিঙাই ওই।

৪) স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন এস.আই.আরগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোক্তবগী মরালদা নোংচুপ বেঙ্গলদা এ.ই.আর.ও ৭ ই.সি.আইনা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

অমসুং

৫) নুমিৎ মঙানি চথুগদবা ইন্দিয়া এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎ ২০২৬ ঙসিগী নিউ দিল্লিদা হৌখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি বাবুপারাদা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা সি.আর.পি.এফকী ইন্সপেক্তর জেনেরেল রাজেন্দ্র এন. দাসকা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহন্নবা অমদি রাজ্য অসিগী মীপুম খুদিংমক অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অমদি য়াইফনবগী মতাংদা লৌরিবা ফিরেপ অমুক হন্না খন্নখি।

অমরোমদা, ময়াই লম্বী এসোসিয়েসন (মালা)গী থৌ পুবশিং অমসুং মেম্বরশিংনা ঙসি অয়ুক মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা মহাক্কী য়ুমদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মখোয়না ময়াই লম্বী হায়না খঙনবা নেসনেল হাইৱে-১৩৭-এ শেমগৎলিবা অদুদা তৌমীবল খঙবা উৎখি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- কৈথেল লৈবা মফমশিংগী লম্বী পাকথোকবা অমসুং ইরম-নালাগী ফিভম ফগৎহন্নবা মখোয়না হায়রকপা অদু কুপা খন্নরি হায়না মখোয়দা থাজবা পীখি। লমদম অসিদা মীয়ামগী খুদোংচাবা হেনগৎহন্নবা অমসুং ইনফ্রষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা পীখি।

কাউন্সিল (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা হয়েংদগী হৌরগনি।

কাউন্সিলগী চেয়ারমেন তখেল্লম্বম ওজিৎ সিংহনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩১,৫৩০ শরুক য়াগনি। মসিগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ৭,৬৯৭ না আর্টস ষ্ট্রিমনি, মহৈরোই লিশিং ২৩,১৪৬ না সাইন্স অমসুং মহৈরোই ৬৮৭ না কম্মর্স ষ্ট্রিমগীনি।

রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তমদা লৈবা পুন্না একজাম সেন্তর ১১৭ তা পারিক্ষা অসি পাঙথোক্কনি হায়না কাউন্সিল থোকপা চেরোল অমদা হায়রি। হায়রিবা পরিক্ষা মহৈরোইশিংগী তুংগী লাইবক লেপকদবা ওইবনা পরিক্ষা অসি মপুং ফানা পাঙথোকবা হোৎনবদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীয়াম অমসুং লুপশিংনা মতেং পাংবীনবা শ্রী ওজিৎনা আপীল তৌরক্লি।

পরিক্ষা অসি চহি অসিগী মার্চগী তাং ২০ ফাওবা চথ্থগনি। ক্লাস এলেভেনকী ওইনদি ঙসিদগী পরিক্ষা হৌখ্রে। হায়রিবা পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩২,৮৪৭ না পরিক্ষা সেন্তর ২৩৪ দা পরিক্ষা থারি।

অমরোমদা, কাউন্সিলনা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা থারিবা মহৈরোইশিংদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবগুম মহৈরোইশিংনা পুকিংদা অৱাবা ৱাখল খন্দনা অমসুং ৱাখল নুংঙাইনা পরিক্ষা থাগদবনি। হায়রিবা পরিক্ষা অসি মহৈরোই অমগী পুন্সিগী তুংগী কেরিয়র শেন্বদা য়ামা মরুওইবা অমা ওইজরগসু মহৈরোইশিংনা পরিক্ষাগীদমক পুকিং ৱাখল ৱাবগী মহুৎতা মসিবু হরাউ কুম্বে অমগুমা লৌদুনা ৱাখল নুংঙাইনা পরিক্ষা থানবা হোৎনগদবনি। ওজাশিং অমদি মমা মপাশিংনসু মহৈরোইশিংবু নিংথিনা ঙাকলৌ পীদুনা অচুম্বা লম্বীদা লমজিংনবা হোনবীনবা মহাকা আপীল তৌরি।

হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি, এম.এল.এ- থৌনাউজম বসন্তকুমারনসু মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়- পরিক্ষা হায়বসি মহৈরোইশিংগী খঙবগী চাং অদুখক চাংয়েং তৌবা নত্তে, মসিনা মখোয়গী খাঙবা কনবা, থকশি খাশি, মশানা মশাবু থাজবগী চাং অদুবুসু চাংয়েং তৌবনি। পুন্সিদা শিংনবা কয়াবু কৎথোকপা অমদি থৌনা লৈনা থেংনরিবা মীওইশিং অদুনা পুন্সিদা মায় পাকই হায়বসি মহৈরোইশিংনা নিংশিংবা চুমগনি।

দেমোক্রেতিক ষ্টুদেন্টস এল্লায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম), ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), ৱাখল্লোন মান্নবা অপুনবা (ৱামা) কংলৈপাক, নসু ক্লাস এলেভেন অমসুং তুয়েল্বকী পরিক্ষা থারিবা মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অথিংবা (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌদুনা ঙসিদগী হৌখ্রবা ক্লাস এলেভেন অমদি হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ক্লাস তুয়েল্বকী

নিংথিনা পাঙথোকবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংননবা থৌবাল জিলাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পরিক্ষা সেন্তরশিংদা য়েংশিন্নবা মরী লৈনবা একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেটশিং থম্লে। হায়রিবা একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেটশিং অসিনা থৌবাল, খোংজোম, য়াইরিপোক, হৈরোক অমসুং লিলোং সার্কলশিংদা লৈরিবা পরিক্ষা সেন্তরশিং য়েংশিনগনি হায়না থৌবাল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট য়ুমম রোবিতানা থোকপা চরোল অমদা ফোংদোক্লি।

অমরোমদা, কুমশি চহিগী হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসন, হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন অমসুং ইম্প্রুভমেন্ট পরিক্ষাগী য়েংলগা তেংনৌপল জিলাগী পরিক্ষা সেন্তরশিংদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট তেংনৌপলনা বি.এন.এস.এসকী মখাদা অথিংবা থম্লে। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট সৌরব যাদবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ক্লাস টেন, এলেভেন অমসুং ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা সেন্তরশিংদা ঙসিদগী হৌরগা এপ্রিলগী তাং ৪ গী ফাওবা পরিক্ষা নুমিৎশিংদা অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা পরিক্ষা সেন্তরগী মিতর ২০০ না কোনবা মফমশিংদা মীয়ামা চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংলে। পরিক্ষা নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি ওইনা পাঙথোকবগীদমক চেকশিন থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

সিএসও (এল)ঃ মণিপুরগী চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মেম্বরশিংনা ঙসি নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা রাষ্ট্রপতি মুরমুনা হায়- মখোয়শিং অদু নেসনেল ইন্তিগ্রেসন টুরগী শরুক অমা ওইনা রাষ্ট্রপতি ভবনদা লাকপনি।

এৱারনেস (এল)ঃ বেতি বচাও, বেতি পরাও কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা চাইল্ড মেরিএজ ফ্রি গ্রাম পঞ্চায়ট হায়বা থিমদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ককচিং জিলাগী কৈরক কৈথেল লম্পাক কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদু অঙাংশিংগী হক ঙাকনবা অমসুং চহি নৌনা য়ুম পানবগী থবকশিং থিংননবগী পান্দমদা মীয়ামদা খঙহন্নবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা আই.সি.দি.এস সেলগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসারনা শিনবনি। মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী পেন্নেল লোয়র এদভোকেট ক্ষেত্রিময়ুম সরনকুমারিনা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা হায়-লৈবাক অসিদা হৌজিক চৎনরিবা আইনগী মতুংইন্না নুপীমচাশিংগী ওইনা য়ুম পানবা য়াবগী চহি অসি ১৮ নি। অদুগা নুপামচাশিংগীনা চহি ২১ নি। য়ুম পানবা য়ারে হায়না আইন্না পীরিবা চহি অসি শুদনা লুহোংলিবশিং প্রোহিবিসন ওফ চাইল্ড মেরিএজ এক্ট ২০০৬ কী মখাদা চৈরাক ফংনিঙাই ওই। মহাকা মখা তানা হায়-অৱাবা তারবা অঙাংশিংনা ৱাকৎলকবা পুং ২৪ চুপনা মথৌ তৌরিবা চাইল্ড লাইন টোল ফ্রি নম্বর ১০৯৮ হাংদোক্লুনা থল্লি। অৱাবা নংলবা অঙাংশিং অমসুং চহি শুদনা লুহোংবগী থবকশিং থিংননবগীদমক কনাগুম্বনা হায়রিবা টোল ফ্রি নম্বর অসিদা কোল তৌরকপা য়াই।

সিআরপিএফ (এল)ঃ ১১২ শুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফকী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা বত্তাল্লিয়ন অসিগী টিম অমনা ওসিস কলেজ কাংপোকপীদা চত্তুনা ষ্টাফ অমসুং মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নখ্রে। সি.আর.পি.এফকী মাইকৈদগী কলেজ অদুদা সোলর লাইটশিং অমসুং ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্কনচিংবা য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা বত্তাল্লিয়ন অসিগী দিপ্যুতি কম্মান্দেন্ট রাজেন্দ্র প্রসাদ শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ স্পিয়ার কোরগী জি.ও.সি লেফটনেন্ট জেনেরেল অভিজিৎ এস. পেন্দরকারনা ঙসি উখ্রুল জিলাদা চত্তুনা মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিংগা উন্নদুনা সেক্যুরিতিগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। মফম অদুদা মথৌ পাঙথোক্লিবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিংনা ঙাকশেলগী ফিভম ফগৎনবা অমদি মীয়ামগী থাজবা হেনগৎহন্নবা কৎথোকপগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোকপগীদমক জি.ও.সিনা থাগৎপা ফোংদোক্লমখি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিনহন্নবা অমদি মীয়ামগা সেক্যুরিতিগা তেংবাং পীনবা হেনগৎনবা অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা য়ুথ ক্লবশিং, খুলগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মাসি (এল)ঃ মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এল্লাইদ স্পোর্টস ইন্সটিট্যুট (মাসি) কৈরাউগী থৌ পুবশিং খনখ্রে। থোকচোম তোম্বা সিংহনা প্রসিদেন্ট, লৈশাংথেম কুঞ্জকেশ্বরনা সেক্রেতরি অদুগা কে. গোপাল কৃষ্ণ শর্ম্মনা ত্রেজরর ওইনা খনখ্রে হায়না ইন্সটিট্যুট অসিনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

নোনে (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ত্রোল য়ুনিত তমেংলোংনা নোনে অমসুং তমেংলোংগী দিসা ক্লবশিংগা খুৎশমদুনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল নেটৱার্ক ওন টেষ্ট, ট্রিট এন্দ পোজিতিভ প্রিভেন্সনগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট ফোর পিছলেন্দদা পাঙথোকখ্রে।

সিইও (এল)ঃ তদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী স্পেসিয়েল সম্মরি রিভিজনগী ৱাকৎ পীশিনবগী মতম থা অসিগী ২৫ ফাওবনি হায়রি। ইলেক্তরশিংনা মরী লৈনবা বি.এল.ও নত্রগা ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারগী ওফিসতা ফোর্ম সিক্স, সভেন নত্রগা আইটতা পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

হোর্নবিল (এল)ঃ লম্লক্কী তাংলবা উচেক হোর্নবিল ঙাক শেন্দুনা থমবগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা তামৈ রেঞ্জগী খুন্দোং খুনখায়বা ভিলেজদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। খুন্দো খুনখায়বা ভিলেজ ওথোরিতি অমসুং লিয়াংমাই নাগা কাউন্সিল ৱেষ্টর্ন জোনগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার তামৈ, খুন্দ্রাকপম জোনসন, লিয়াংমাই নাগা কাউন্সিলগী চেয়ারমেন পি. মাইরিসিবৌ য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ইসি ঃ স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন এস.আই.আরগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোক্তবগী মরালদা নোংচুপ বেঙ্গলগী তোঙান তোঙানবা বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা মথৌ তৌবা এসিষ্টেন্ট ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসার ৭ ইলেক্সন কম্মিসন্না থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। মখোয়গী মথক্তা নিয়মগী মতুংইন্না আইনগী ওইবা থবক পায়খৎনবা ইলেক্সন কম্মিসন্না খঙহনখ্রে। হিরম অসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরিদা ইলেক্সন কম্মিসন্না অইবা চেরোল থাখ্রে। এস.আই.আরগী থবক থৌরমদা থৱায় য়াওনা থবক তৌদবা, মথৌ লৈথোকপা অমদি নিয়মগী ৱাংমদা থবক তৌরম্বগী মতিক চাবা প্রমান কয়া ইলেক্সন কম্মিসন্না ফংবদগী মখোয় ৭ পু সস্পেন্দ তৌখিবনি।

সম্মিৎ ঃ ইন্দিয়া এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎ ২০২৬ নিউ দিল্লিদা হৌখ্রে। নুমিৎ মঙানিগী মীফম অসি গ্লোবেল সাউথতা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা মালেমগী অহানবা এ.আই. সম্মিৎনি। মালেমগী এ.আই. ৱাখল্লোন শেম্বদা ভারতনা লৌরিবা থৌদাং হেন্না কনখৎহনবদা মীফম অসিনা মরুওইবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরগনি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- ভারতকী খোঙজেল য়াংনা চাওখৎলক্লিবা ক্রিয়েতর ইকোনোমি অসি লৈবাক অসিগী মতিং লৈরবা দিজিতেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং থবক হৈবা মীয়ামগী মতেংননি। মন্ত্রিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎ ওফিসিয়েল সেটেলাইট ইভেন্টতা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী য়াংনা চাওখৎলক্লিবা ক্রিয়েতর ইকোনোমি অসি অনৌবা টেকোলোজি অমসুং থবক তৌবগী অনৌবা মওং কয়া পায়খৎলকপদগী ওইরকপনি। লৈবাক অসিদা চাদা ৯০ ফাইভ জিনা শমহল্লে। মসিনা লৈবাক অসিগী দিজিতেলগী মফম অমা ওইহল্লে। অনৌবা টেকোলোজিগী খুত্থাংদা থবক শুবগী মওং হেন্না ফগৎননবা নহাশিংগী স্কিল হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

মীফম অসিদা লৈবাক ২০ গী মালেমগী লুচিংবশিং শরুক য়াগনি।

মখোয়দুগী মনুংদা ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইম্মানুএল মেক্রোন, ব্রাজিলগী রাষ্ট্রপতি লুইজ ইনাসিও লুলা দা সিলভা, স্পেনগী রাষ্ট্রপতি পেদ্রো সঞ্চেজ পেরেজ কাষ্টেজোন, স্বিটজরলেন্দগী রাষ্ট্রপতি গয় পারমেলিন, নিদরলেন্দসকী প্রধান মন্ত্রি দিক স্কুফ, য়ু.এ.ইদগী অবুধাবিগী যুবরাজ সৈখ খালেদ বিন মুহামদ বিন জায়েদ অল নহায়ান, মাওরিসিয়সকী প্রধান মন্ত্রি ডাঃ নবিনচন্দ্র গুলাম, শ্রীলঙ্কাগী রাষ্ট্রপতি অনুরা কুমারা দিসানায়েকা অমসুং ভুতানগী প্রধান মন্ত্রি সেরিং তোপগে য়াওরি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং মুম্বাইদা ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইম্মানুএল মেক্রোনগা উন্নগনি। উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা ভারতকা ফ্রান্সকা পুন্না থবক তৌমিন্নরিবশিং কয়া য়ামা খুমাং চাওশিল্লবগে হায়বদু য়েংশিনগনি অমসুং লমদম লমদম অমদি মালেমগী ওইবা মরুওইবা ৱাফম কয়াদা মোৎ ফোংদোকগনি। শ্রী মেক্রোন হয়েংদগী নুমিৎ হুমিগী ভারত খোঙচৎতা লাক্কদৌরি। মহাক এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎ প্রধান মন্ত্রি মোদিনা বার্তন তৌবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

স্পোর্টস (এল)ঃ মরিসুবা চিত্তা মোহিনি ষ্টেট ৱিমেন্স পোলো কপকী ঙসি ইম্ফাল মপাল কাংজেংবুদা শান্নখিবা মেটচতা ইবুধৌ পাখংবা পোলো ক্লব ইরোইশেম্বনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব ৱিমেন টিমবু পাঞ্জল ৮-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ফুটবোল ক্লব কুম্বীনা মিলন এফ.এবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা নমফানা য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ৯-১ দা, সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লবনা য়ুনাইতেদ প্রোগ্রেসিভ এদল্ট এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ অন্দর নাইন্তিন ৱিমেন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা এফ.সি ইম্ফালনা য়ং ৱেলফ্যার ক্লবপু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ অনিশুবা য়াইরিপোক ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- টি.এম.এফ.সি য়াইরিপোকনা দব্লিউ.ৱাই.সি ৱাংখেমবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা জোন এফ.সি অচানবীগৈ অমসুং তেন্থা এফ.সি পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ক্রিকেট ঃ মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈবু ৱিকেট মরিদা থোইখ্রে।

তুরনামেন্ট অসিগী অনিসুবা মেটচতা শান্নগদবা সেদো থাংমৈবন্দ লাক্তবদগী আর.এন.ই.এফ-নিকা ময়াং ইম্ফালনা ৱাঙ্ক ওভর ফংখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা মোদেল শিংজমৈ চীংঙা মখাবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.সি.সি.সি শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইনা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট ফোরবু ৱিকেট ৪ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ তেন্থা হৈবুং ত্রাংক্যুলিতি ক্লব-তেন্থানা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা টি.ক্যু.সি. ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- থন্দর ষ্টোম খাঙবোকনা রোয়েল চেলেঞ্জরস মোইজিংবু রন ৩৫ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা- এম.য়ু.সি-টু কাঞ্চিপুরনা য়ায়া পল্লেলবু রন ১০৭ দা থোইখি।

ত্রাইয়েল ঃ  চহি ১৭ মখাগী নুপামচাশিংগী পাঙথোক্কদবা ১৪ শুবা ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ত্রোফি ২০২৬ তা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং খন্ননবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ২১ অমসুং ২২ দা দি.এস.এ গ্রাউন্দ বিষ্ণুপুরদা পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা হায়রি।

------